# মণিপুরগী থাজ ৱারীদা তাউবা হূইগী মফম

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

তাইবঙ মীওইবগা তাউবা হূইগা লোয়নরক্লিবসি ঙসি ঙরাংখক্তগী নত্তে, আ য়েলহৌঙৈদগীনি। হায়নরিবনি মপু নীংবা হূই হায়না। হূই লোইবা নুংশিবা মীগী মশীং খঙহেন হেনগৎলকপগুম তৌই। ৱাথোকসু লোইবা নাইদে। হূই মখল য়াম্মী, মথোঙ হুক্তবা কয়া অমনি। মথোঙ চাদবা খরা য়াওবনসু ওইবজাৎনি, - *হূই ইকায়দবা, ইরোই নিংথমদবা* হায়বা প্রমান লৈরম্লিবসি। মীওইবদা থোক্কদবা থৌদোক ৱাথোক কয়াবু তাউবা হূইনা পাউদম্মী হায়বসিমদি মণিপুরগী থাজনবীদা ঙসি ফাওবা লৈরি। লৈকায় খুন অমদা অশি অনা থোল্লমদাইদা তাউবা হূইনা কপ্পগী মীকপখোলনা তাকই। মসি হেক্তমক হায়জিনবৈ ৱা নত্তে, অদুম চুম্মী। *"শরক ময়ায়দা হূইগী অমাংবা খিল্লম্রবদি নোং তাবা শোয়দ্রে"* অহলশিংনা হায়রম্বসে কয়া শোয়গন্দে। অসুম্নসু হায়নৈ হূই লোইরিবা ইমুং অমদা অশি অনা থোক্কদবা লৈরবদি মখোয়না লোয়জরিবা হূই অদুনা মহুৎ শিন্দুনা মথ্বায় ফাওবা থাদোকপা য়াওই। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা হুরানবা ফাওবা ঙাকথোকপীবা মপু নীংবা হূইনি। অদুবু হূইনা ইমুংদা চঙবা তৌহৈদে, মাংই হায়দুনা নিংথম কালেন অদুম্মক মপান্দা খাঙহল্লি। হৌজিক মতমদা লোয়নরিবা মরু ওইনা মীরমদগী পুশিল্লকপা মমল য়াম্লবা হূইশিং অসিদি মরাইবক থম্বাল শাৎলবনি। নিংথৌকোনগী মজাইবুংঙো মজাইবেম্মশিংবু নাউয়োকপদুগা চপ মান্নরে হায়বা য়াই। যূমদা য়োকপা শাবু নুংশিনা লুনা লোয়নবগী ৱাখল্লোন অসিবুদি থাগত্তবা ঙমদে। অদুবু য়েংবদা য়াম্না ৱাবা, শাউনীংবনা শ্বর ফুনগে তৌবা মতাংসু য়াওরকই। কনাগুম্বা খরা লৈ, হূইদুবুদি য়াম্না নুংশিবা, অমাংবদুবুদি শেংনীংদবা। হূই মঙক্তুদা থৌরী কোঙ্গোই হুকচিনবীরগা পুথোক্কনি। হূইনা অমুক চিং মানা অমুক চিং, মীরৎ-নারৎ য়েংলগা লম্বী লমজাউদা হোৎনহল্লি। নোং ঙাল্লকপদা খিল্লগা লৈরম্বদু ক্লিন ইন্দিয়াগী মিসন্দা মরাল লঙশিনবা ওইরোইদ্রা?

তাইবঙ মপুনা তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই হাপ্পীদুনা হীরম কয়াদা মীওইবগী মতেং পাংলিবা তাউবা হূইশিংনি। থায়না লৈবাক নিংথৌ অঙম অথৌ অমদি মীচমশিংনা শা তানবা চৎপদা তাউবা হূইশিংগা লোয়নরম্মী। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা শাগী শারম খোঙ্গুল লীবদা মখোয়না লমজিং লমতাক্তুনা মতেং পীরম্মী। ঙসি ঙসিমকসু কনাগুম্বা ক্রাইমদা চেন্নবশিংবু থিবা হুম্বগী থবক্তা পুলিস অমদি আর্মিনচিংবনা হৈথোই শিংথোইরবা মপূং ফানা ত্রেনিং ফংলবা হূই কয়া শীজিন্নৈ। তাউবা হূইবু তাইবঙ মীওইবগুম্না লোয়নরম্বগী খুদম চাংদম ওইবা ৱারী শীংবুন মাঙলমচৎকী অখঙ অহে কয়ানা থম্বীরম্মী। হাওরোক কোম্হৌ লাইরেম্বীগী ৱারীদা তাইবঙ মীরোন খঙবা হূইগী মফম থল্লি। চিংঙু নোংথৌ সোরারেন্না হাউরোক কোম্হৌ নিংঙোল চিনফুরোল কোনথৌসু (হাউরোক কোম্হৌ লাইরেম্বী) বু তালোয়শীংদা চনবা মতমদা মপাম হাউরোক কোম্হৌদা অশি অনা থোকহল্লোই হায়না পাউমেনবগা লোয়ননা তাইবঙ মীরোন থোকপা তাউবা হূই অমা খুদোল তল্লম্মী। হূই অসি য়াওনা হূই ময়ামগা লোয়ননা শা তানবদা শা ময়াম অমা ফাবা ঙমখি। নোংমদি শা তানবা চৎপদা হূই অদুনা নারক মোংশোং অমদা চঙলুবদা তাংজ লিন মহূ চাউবা অমনা চিক্তুনা শিরে। তাইবঙ মী অমা নোংগাবদা পাঙথোকপা পোৎলোইবগী থৌরম অদুমক চপ চানা তাউবা হূইগী মথৌ মঙম পাঙথোকখি। শামক ওইরবসু তাউবা হূইশিংবু লুনা চান্না লোয়নরম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি।

শক-চু খেন্নবগী মতুংইন্না মী মীগী ৱাখল মান্নদে। হূই হেক উবগা মতিন চুম্বা মীওইসু লৈতবা নত্তে। হূইসু থম্মোয় পাল্লি খঞ্জবা মবুকথোক্কী মচাগুম্না নুংশিনা লুনা তৌজবা, মা মানা লোয়জরিবা হূইদুনা খ্বাইদগী শিংবনি খঞ্জবসু অদুম ময়াওই। কনাগুম্বনদি করি থোকএনা তৌজশারিনো হায়রকপসু য়াবা মী মখল খরসু লৈ। মখোয়গীসিনা মখল অমনি হূই হেক উবগা লুহোংবদা বর-কন্যা থোল্লমদাইগী ধোন খংথিন থিনবদৌনা মিহুনকাদো দঙ দঙ থিনবজাৎনি। অদুগুম্বা মীশক্তুমক ঐ ইশামক্লা ওইজরক্লিবসি ফনদি মকুইরে। কিরোই খল্লি মঙমদে। অঙাং ওইরিঙৈদগী খরসু হৈনরক্তবনি। ইমাখোয়না তাকপীবা মতুংইন্না লম্বী সরক্তা চৎলিঙৈদা হূই থেংনরবদি খুদোম্বীসে মঙোন্দা শৎ থিল্লগা চিন্দা মুরুম-মুরুম হঞ্জিন হঞ্জিন শোল্লি, *"হূই নঙবুদ ঐগী হূইনা ঙম্মী, গুরুগী য়াথংনি"* হূই তেথনবা লাইৱা ওইবগীরা নৎত্রগা ঐনা থেংনরুবা হূইশিংদুনা চিক্কন খোংগন্দবনরা খুদোং থিবমক্তি থোক্তনা লাকখিবনি। ঙসি ফাওবা হূইনা ইনাক্তা চঙলকপগা অনীকপী হৌবগী ৱারী অমা লৈ। খৃষ্ট কুমজা ১৯৮৪দনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবীরম্বী শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধীবু নুংশি হৈতবা মওংদা পুন্সি পিখম্নহনখিবগী মতুং তারকপা ওইনা মীহাৎ মীপূন থোক্তুনা লৈবাক পূম্বা পূন্নাঙ লাঙবা মতাংনি। ঈরাংদু মণিপুরদসু য়ৌরকখি। এম এ ফাইনেল পরিক্ষা মায় পাক্লে হায়বগী নুংঙাইফম ইখঙ খঙখিদে। কনা কনা হাৎখ্রবা, তূপখ্রবা, যূম কয়া মৈ থাখ্রবা হায়বসিদা মিপাই থপাইনবা মতমনি। রিছর্স হৌদ্রিবৈঙৈদা লৌ খাওবা চৎলি। চন্দ্রখোকনা খুবোম খুরাই থিন্দৎপদু ফনবা বাজিহনগী মচানুপা ইপ্বা নুপাদগী খোঙ্গাউ অমনবা অমা নিগে হায়দুনা মখোয়গীদা চঙলুই। য়াম্না ঙল্লি নিংথমথাগী অযূক্তু। মখোয় অয়াম্বা ফমুংদা লৈবা তাঞ্জানি। ইনাওনুপী বীরোহীনিদি লম শিত্তুনা লৈরম্মী। ঐনা কৌখি "মোচা মোচা" কদাইগী কাচিন্দা লোত্তুনা লৈরম্বনো খঙহৌদে হূই অমা ঙংলগা পাইশিল্লকই। তাপ তাপ লাকই। ঐনা লাউই, "অয়ো ইমা হূইনা চিকএ হূইনা চিকএ"। ময়াম পাইথোক্লরকই। খুকউ খূমীৎ অনীমক ঈ তাবমখৈ চিকথৎলম্মী। খুদক্তা শেলনা তকপা য়াও, অৱাথবী নোইশিনবও হোৎনৈ। হূইদু অচম্বা হূই ওইরমদে, অঙাওবা ওইরম্মী। পলেন বি এস এফ পর্সনেল অনী, লৌ খাওবা চৎলুবা হল্লকপী লৈশাবী অমা, মৌ অমা মথং মথং মমাঙ নুমিৎকী য়াচঙবদা হোৎনরম্লবজাৎনি। মরাইবক থীবা হায়দুনি, ঐনা অরোইবা ওইহনখ্রে। ময়াম চঙদুনা উতুপ ৱাতুপ্না অদুম্মক লোইশিনখ্রে। ঐসু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎখি। মতমদুদা ইরাবত ভবন মনাক্তা লৈরি। ঈরাংদুনা মরম ওইরগা কর্ফিয়ু লৈরম্মী। জীপ অমা ৱায়রগা চৎখি। নুমিত্তুগী ওইনা এন্টি রেবিজনচিংবা কাপ্পা অমদি অশোকপা মফমশিংদু ফজনা হোৎনবীরগা হল্লকখি। হল্লকপদা ঙসাইগীদু ফজনা ঙৌরগা থল্লম্মী। মাগী মহূ কোক্লবা ঐনা চাবা তারম্মী। থৱায়না মরূনি খন্দুনা অদুম্মক হোৎনখ্রে। হীদাক কাপ্পা লোইদ্রিবা ফাওবা হোস্পিটালদা চৎখি হঙ্গৎ হন্দা। থা অহুম ঙারী, মোরোক, হৱাইজারনচিংবা চাখিদে। ঐগী চাক তোঙানখি। খাবৈসু ৱাগী খাবৈ ওইনা শীজিন্নখি। হূই অঙাওবনা চিকপসি নুমিৎ হুমনি, থা অহুম, চহী অহুমদা শিদ্রবদি শিররোই হায়নরম্মী। মতমদু হেন্দোকখ্রবা তুংদদি নে না তাজখি। হূই কিবসিমত্তংগা ফবীখ্রদি নুংঙাইরদৌনি। মসিমদি হায়জনীংই তাউবা হূইগা ঐখোয়গা তৎন-থানবা য়ারোই। ৱাথোকসু থোকহল্লোইসি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## কর্ফিয়ু কোমথোকপদা লাইরিক য়োনবা দুকানসু য়াওহনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

কোভিদ-১৯না লমদমসিগী লৈমায়দা খোঙদারকপদা মায়কৈ খুদিং অৱাবা ঈপাক্তা লুপ্পা হৌরক্লে। চাবদগী, থকপদগী, লাকপদগী, চৎপদগী, তম্বদগী, তাকপদগী অৱাবগী-অৱাবা ঙাক্তনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরকসিদা নৌরিবা অঙাংশিংবু হয়েংগী মীরোলগী মতিক চাবা মীশক অমমম ওইননবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা লৈঙাক্লা তৌদ-য়াদবা থবক থৌরম অমা ওইনা স্কুল/কোলেজ/য়ুনিভর্সিটি খুদিংমক ওনলাইন ক্লাস তৌহনবীরি। মসিগীদমক হৌজিক্কী লৈঙাকপু থাগৎতবা ঙমজরোই। ফোন পায়বা হৈজদ্রিবা অপিকপা অঙাং ক্লাস থ্রী তন্লিবসু স্কুলগী ওনলাইন ক্লাস য়াওরি। অপিকপা অঙাংদা ফোন পায়হল্লুবগী মাঙজবদি মমা-মপানা চেকশিনবীবা মথৌ তারে। অতোপ্পা লম্বীদা চৎতনবা।

অরোইবদা থমজনীংবদি, ওনলাইন্দা ক্লাস তৌবদি অকক্লবা মতম অমদি নুমিৎকী মনুংদনি। ক্লাস য়াওরিবা মহৈরোয়দুনা খঙহৌদ্রবদি মাগী ওজাদুদা অমুক হংবা য়াবগী মতম পীবীরোই হায়না খঞ্জে, স্কুল নত্তবনিনা। হায়জনীংবদি লৈঙাক্লা ৱারবা মীয়ামগী য়েংবীদুনা কর্ফিয়ু মনুংদা অপীবা মতম খরগীতা ওইরসু দুকানশিং থোঙ হাংহনবদা ওনলাইন ক্লাসতা খঙহৌদবা কয়াদু খঙনবা অমদি মমুৎ তানা য়েংনবা লাইরিক য়োনফম দুকানশিংসু য়াওহল্লবদি ঙসিগী লৈঙাক্লা তুংগী মীরোলগী, হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী খনবী হায়বদু অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংনি হায়না খঞ্জে। মরমসিনা মরী লৈনবা খুদিংনা কর্ফিয়ু কোমথোকপদা লাইরিক য়োনবা দুকানসু য়াওহনবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - সমোম রঘুমনি, থৌবাল*

## সী এম বিরেনগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরদা সী এম কয়া অমা পানখ্রে, মতুংদসু কয়া পানখিনি। মী খুদিংমক্কী নীংবা থুংহনবা ঙম্বা সী এমদি অমা ফাওবা য়াওখিদ্রি, মতুংদসু য়াওরোই। পানখিবা সী এমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মদাও য়াদবা সী এমসি এন বিরেনসু অমনি হায়বা য়াই। মরমদি লৈঙাক শেম্বা কুইদ্রিঙৈদা মখোয় মশেল থুগাইনবা হোৎনৈ। মদুগী মথা শানরিঙৈদা কোরোনা অমুক লাকই। হৌজিক সেকেন্দ ৱেভ অমুক লাকই। লোয়ননা লৈঙাক্কী শেল লৈতবা মতাং অমুক থোকই।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি থর্দ ৱেভ অসি য়ু কেদা লৈরে হায়দুনা হায়নরি। মসিদগী ইন্দিয়া য়ৌরকপা পংকুই কুইরোই। হৌজিক সেকেন্দ ৱেভ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা হোস্পিটাল খুদিংমক অনাবা থম্বা চনদ্রে। অৱাৎপতনা পীক থল্লে। কোভিদ ক্যের সেন্টর হায়দুনা তৌরিবা অসিদি পংতৌ তৌরিবা হায়দুনি। মসিদি অৱাৎপগী অৱাৎপা মক্তা, শিবা ঙাইবা হায়বদুনি। মসি মীপূম খুদিংনা খঙনরবা ৱাফমনি। কোভিদকীদমক অকক্লবা হীদাক লৈতে অমদি মসিদা মপূং ফানা খঙলবা ডাক্তরসু লৈতে হায়বসি মালেম পূম্বনা খঙনরবা ৱাফমনি। তৌবতবু হোস্পিটাল হায়বসিদা লৈরিবা ডাক্তরশিং অমদি নর্সশিং অসিদি অকক্লবা মতম য়েংলগা চাং নাইনা হোস্পিটাল অমগী তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌবী। মরম অদুনা অনাবনা ফগৎলকপগী মরম অমা ওই।

মখা তানা লাকচনীংলিবা ৱাফমদি কোভিদ-১৯গী থর্দ ৱেভ নৎত্রগা ফোর্থ ৱেভ হায়বা অমা লাকপা তারবদি মণিপুরগী মীয়াম কদাইদা লায়েংগনি। অথুবা মতমদা ৰুহান্দা চাইনা গভর্ণমেন্টনা মীওই লিশীং তরা চনবা হোস্পিটাল শাখিবগুম মণিপুর লৈঙাক্লা মীওই লিশীং মঙা চনবা কোভিদকা মরী লৈনবা মচাক খুদিংমক য়াওবা হোস্পিটাল অমা শাবীবদি করি কায়বগে?

লমগীদি হান্না লংথবালদা শান্নবা মফম লৈখ্রবনি। শেল লৈতে হায়রগনা মণিপুরদা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা মীওই ১৩০০০০, সেন্ত্রেল সর্ভিস তৌরিবা মীওই লিশীং ৩০নি হায়না পানরি। মসিগী মনুংদা মীওই লাখ অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী সর্ভিস তৌবা ওইরমগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওই খুদিংদগী থা অমগী তোলোপতগী লুপা লিশীং ২/২ কল্লগা অমদি গেজে টেদ ওফিসরনচিংবশিংদনা লুপা লিশীং ৫/৫ ককপদা লুপা ক্রোর ২১দি ফংগনি। মণিপুরগী যূমথোঙ খুদিংগী লুপা ১০০/১০০ খাইবদা লুপা ক্রোর অহুমদি ফংলনি। এম এল এ ৬০না লুপা লাখ ৫/৫দং পুথোকপদা লুপা ক্রোর অহুমদি ফংলনি। মসিদা নত্তে লৈবাক অসিদা লৈরিবা সোসল ৱার্করশিং অমদি পুকচেল চাওরবা মীওই খরসু লৈরি। মখোয় ময়াম্না পাংলকপা মতেংনা লুপা ক্রোর মঙা হায়না পারসি। অসুম্না মীয়ামগী মতেংগা লায়ননা খোমগৎলকপা শেলশিং অদু চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৩০ মুক হায়না পারসি, খরা হেল্লকপসু য়াই।

অসুম্না লুপা ক্রোর ৩০ অসিগী মথক্তা লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ৭০ অমগা হাপচিনবীরগা ক্রোর ১০০মুক্লা খরা তোংবা মফমদা শিজ হোস্পিটালনা বিল্ডিং শাদ্রিঙৈদা শাখিবা হৌজিকমকসু ও পি দি ওইনা শীজিন্নরিবা অসিগুম্না রাইনোনা খারগা শেল ইচং চংদনা অচৌবা হোস্পিটাল অমা শাবীহৌদ্রগদি মণিপুরী মীয়াম পাক শন্না শিরকপা য়ারি। হৌজিক অথুবা মতমদা সী এম অমদি ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্লা খন্নহৌদ্রগদি মণিপুরগী শাথীবা অৱাবা অমা মায়োক্লরগনি। লোয়ননা কেজ্রিৱালনা তৌবগুম নহা খরসু কোভিদকী ত্রেনিং তৌহন্নীংই।

*অদোমগী - ৱাই রোমিও, টৌপ অৱাং লৈকায়*

## মহৌশাগী মহৌশা ওইদবসিদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হিংগদ্রা? শিগদৌরিব্রা? অনীসিগী মনুংদা অমদি য়াওদবা য়াদনা য়াওরবনি। নুমিৎ খুদিংগী হিংচাবী চাকথাক্তা চাং তমদুনা কায়দ্রবা মশীং অসুকনি হায়বা ঙমদ্রবসু মীওই খরদি শোয়দনমক্কী তাইবঙসিদা হন্দক্কী লাইচৎসিনা পামদ-পামদনা লাইরমলেন্দা মীওই কয়া অমা চৎখিগদৌরিবনি। মসিমক শোয়দবা ওইনা তৌনরক্লবনি। পূন্নমকসি করিদগী করম তৌনা ওইরকখিবা? মুন্না খন্থরুরবদি মসি কনা অমত্তদা তাইনরুবা য়াবা নত্তে। ইশানা ইশাবু চেকশিন্দবদগী ওইরকখিবনি হায়বদা অচুম্বা হায়বদুমা ওইরগদবনি। হৌজিক-হৌজিক হিংলিবা ঐখোয়না হে! হা! তোংদুনা লমকেৎ-লমহাইবগী থৌওংসিমা য়াওদবা খ্বাইদগী ফরবনি। ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা অদুমক কুইথবা তৌদনা খুদক-খুদক্কী ওইরদবনি। মী অমগা মী অমগা নুংশিনগদবগী শরুক্তা নুংশিনদনা মচিন-মনাও ফাওবা শম্বল খাজিন্দুনা মশক উদনবা হোৎনরবা মসিসু মশীং কয়া অমা লৈরক্লবনি। পথাং পুথাংদগী চৎনরক্তবা থবক থৌরম কয়া অমা চৎনখৎলকপা মসিবু করম্বা থৌওংনি হায়দৌরি? পুখম অমদা অওক-ওক্তা নুংশি চাননা চামিন্নরম্বা মচিন-মনাও ফাওবা কৌন-ঙাঙনদনা লমলানবা-লমলানবীদৌনা তোখায় তোখায় তানরকপা মসি পূন্নমকসি পেন্দবদগী লাঙ্গোই চল্লকপনি। হিংবু হিংলবা অপেনবা হায়বসিমদি অদুমক লৈররোইদবনি। কল্লকপা, মীহৌবা, অপাম্বা, নুংশিবা মসিদি শিবু শিরবা থোইনা মথৌ তাদ্রবনি। শিবগা-হিংবগা অনীসিদি হিংবসিনি লুরিবসি। শিখ্রবা মীওইবা অমত্তনা হিংহৌরিবা মমা-মপা, মচা-মশু, মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈ কনা অমত্তগী খন্দ্রবনি। লুরিবদি হিংলিবা ঐখোয়সিনি। হিংলিবা ঐখোয়সিনা চেকশিন্দবদা খুদোংথীনবগী মরম ময়াম অমা শোয়দনমক্কী থেংনগদৌরিবনি। থেংনবা মতমদা কৈদৌনুংদা নাথৈদুনা চেনগে খল্লবসু য়াররোইদবনি।

নুংশিনখ্রবা মচিন-মনাও, মমা-মপা ফাওবা লাইচৎসিদা তাইবঙপাল থাদোকখ্রবদা মনাক চঙবগী ৱাখল লাপথোক্লদৌরিবনি। অসুক য়াম্না শাথীরবা লাইচৎসিবু থৌ শাদবা হায়বসি হৌজিক্কী লায়না লাইচৎসিনদি নুংঙাইখ্রবা পোৎনি। কর্ফিয়ু থুগাইবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা, মাস্ক নিংথিনা উপ্তবা অদুগুম্বা মীওইদুদি হন্দক্কী লাইচৎসিনদি পেঞ্জখ্রবা পোৎনি। নমদনা পামদ-পামদনা নুংঙাইখ্রবা তাইবঙপানসি থাদোক্কদৌরিবনি। অথিংবা কয়া অমা লৈদুনসু মসিবু নাচুংদবা মীওইদি য়াওদবা নত্তে। মখোয়সিনি লম্বী লমখাংদা পুলিসনা ফারগা ফাইন থিহনবগী থবক তৌরিবসি। মসিদা ঐখোয়না পুলিসতা ৱারৌবা য়াবা নত্তে। ঙসি ফাওবসিদা লৈঙাক্কী গাইদলাইন ঙাক্তবশিংদগী খোমগৎপা শেনফম ফনবু য়াম্লম্লগনি। কর্ফিয়ু থুগাইবা, হেলমেট উপ্তনা গাড়ী থৌবা মসিবু ফৈদা হায়দৌরিবসিবু কনাননো? করিগুম্বা পুলিস থেংনরবা ৱাখল শোয়দনা তাদৌরিবনি। লমদমসিদা লৈরিবা মীচম মীয়াম ঐখোয়সে খরদি খন্থবগী তঙাইফদবা হায়বদুমা ওইরক্লবনি। অসুক য়াম্না ৱানা হোৎনরিবা গভর্ণমেন্টসিবু ৱাওই-থওইদনা খনবসু য়াওদবদি নত্তে। মসি মুন্না খল্লুরবদি অশিংবা মীওইনি হায়না লৌবদা অচুম্বা ওইদ্রবনি। কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাংসু লেপ্পা লৈত্রি। নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংসু লৈজবী থাদনা মমল হেনগৎলক্লি। মপান থোকপসু য়াদবা, শূদুনা-নোমদুনা হিংনবা শেন্দাল লম্বী থিগদবসু য়াদ্রবা, করম তৌনা করি চারগা হিংদৌরিবা? ৱানা-ৱানা খাঙবা নত্তনা পান্থৈ লৈগদবা মান্দ্রবনি। মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা কাঙলূপ্না হন্দক্কী লাইচৎসিগী মমিংসি পনবদা ফাওবা হু তরেৎ খাবা ওইনরবনি। লাইচৎসিনা ঙম্বদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগবনি। নমদনা মালেমদগী তানগদৌরিবনি। চৎন-কাঙলোনসু ঙাক্কদবনি। লাইচৎসিদগী ভেক্সিন কাপথোকপা মসিমসু তৌগদবনি। অন্ত-কাল য়ৌরক্লবা মতমদা করিনুংগীনো খনবা মসিদি কান্নবা হায়বদু নৎত্রবনি। মতমনা লৈরিঙৈদা ইশা ইশাগী তৌফম থোকপা তৌদবা য়াদবা থবক্তি হায়নবা নাইদনা তৌরবা চেকশিনবা হায়বদুমা ওইরদবনি।

মতম অমদা ইপু ইবেনশিংনা হায়বীরম্বা কোম্থোং ৱাংমা লান্দবা হায়বা অদুমক হন্দক্কী লাইচৎসিনা ওইরবনি। মীওইবা অমনা তাইবঙসিদা চহী কয়া য়াম্না পুন্সিগদৌরিবা? চহীদদি অঙাংনি হায়রবসু হিংবা য়াবা মহাক্তি খঙহৌদনা তাইবঙ চেঙজেল লোইদুনা... তম্বা ঙম্বা নত্তে। মানা অঙাংনি, মানা অহলনি হায়বগী থোইদোকপা থাজবগী ৱাংমদা লৈখ্রবনি। মীওইবা ওইনা পোক্লবদি লমকেৎ-লমহাইবা, হে! হা! তোংদবা! মসিনা অফবা হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইরদবনি। কৈদৌঙৈ লোইগদৌরিবা হন্দক্কী লাইচৎসিবু? মসিমতংগা খঙলবদি কয়াদা নুংঙাইগবনো? কৈদৌঙৈ ফাওবনো খঙদবা মসিদনি মীওইবা ঐখোয়না ৱানরিবসি। হৌজিক্কী মতমসিদা খ্বাইদগী ফবনি হায়না লৌগদৌরিবসিবু করিবুনো? অফবা লৈত্রবনি। মণিপুর লেজি সলেটিভ এসেমব্লিগী মীহুৎ খনবগী ইলেক্সন তৌখ্রবদা এ সী ৬০গী মীহুৎ ৬০ খনখ্রবদা অহাঙবা এ সী খরা লৈরক্লিবসি মীহুৎতুনা অহেনবা পাম্বদগী ওইহনবনি হায়না লৌবদা কায়দ্রবনি। মশাগী এ সীদুনা হন্দক্কী মতাংসিদা করম করম্বা মফমদা হায়বদি তোঙান তোঙানবা কন্টেমন্টে জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা চান-থক্লবা অমদি শেলগী মতেং মীহুৎ মশানা পীবা হায়বদু এ সী খরদদি য়াওদ্রবনি। মসি মুন্না খল্লুরবদি কনাগী অশোয়বনি হায়গনি? এ সী অমদা মীহুৎনি হায়দুনা লৈরম্লগা মফম মরাং খঙদনা দিসক্কালিফাইদ তৌখিবা মসি মশাগী এ সীগী মীয়াম্না নুংঙাইবদি ওইদবনি। খাঙবগী খাঙবা খাঙলগা চহী মঙা শুরবা মতুংদা চোংনীংবা মফমদা চোংবদা কনানসু করিসু হায়ররোইদবনি। হন্দক্কী লাইচৎসিদা মীহুৎনি হায়দুনা লৈরম্লগা লৈতবসিদি মথংগী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিদা অমুক ভোট লেপকে হায়বসিমা খনবীরুরনু। কান্নদবদা মতমসিগী মীয়ামগী ৱাখলগা চান্নররোই। পোত্থাবনা ফরনি। দিসক্কালিফাইদ ওইরবা মহাক্তুনা মথং অমুক ভোট লেপকে খনবসি হন্দক্কী লাইচৎ লায়ওংসিনা শাখি ওইদুনা অমুবা কালিনা য়েক্তুনা লৈরগদবনি। সোসল ৱার্করনি হায়দুনা থোরক্লিবা কয়া ভোট কাবদি লায়রদুনা দিপোজিৎ মাঙদৌরিবা কয়া অমা য়াওদৌরিবনি। মসিদি মতমদু লাক্লগা খঙলদবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

ষ্টেটকী পাউ

# ৱার ওন দ্রগস ফাগি তাহন্দুনা পুলিস ওফিসর খরনা ভি দি এফশিংবু নেৎলগা গেলেন্টরি এৱার্দ তান্নবা হোৎনরে: এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা থাসিগী ২৬কী অয়ুক পূং ৬.২০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাঙ্গৈই পুলিস ষ্টেসনগী এ এস আই থাংজম জিবোননা লুচিংবা ভি দি এফ পর্সনল ৩ অমসুং পুলিস কন্সটেবল ২ য়াওবা টীম অসিনা ময়ায় লম্বীগী শরুক অমা ওইরিবা হিয়াংথাংদা অচৎ-অওক চেক তৌবদা চন্দ্রনদিলোমদগী থৌরকপা সেন্ট্রো কার রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০৪ পি ০২৬৯ অসিদা হিজম নন্দকুমার (৩০) অপোকপা ঐচ হিরামনি, থৌবাল অথোকপম ময়ায় লৈকায় থাবা আইদেন্টিটি কার্দশিং য়াওবা নুপা অসিগী কার মনুংদা প্লাষ্টিক পেকেটে ১০দা কানি দ্রগ কেজি ৭.৮০৫ য়াওরম্বা অদু টীম অদুদা য়াওবা ভি দি এফ পর্সনল অমনা হকথেংননা ফাখিবনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়ের এসোসিএসন অমসুং ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়ের এসোসিএসননা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

ফারবা ঐচ নন্দকুমারনা ভি দি এফ পর্সনল অদুগী একাওন্টনম্বর পীয়ু লুপা লাখ ৫ কাপশিল্লক্কে ঐবু থাদোকপীয়ু হায়জরম্মী, অদুবু ভি দি এফ অদুনা ঐচ সী এমগী ৱার ওন দ্রগসপু শৌগৎপা ওইনা শেল পামদে, সমাজ অসিবু মাঙহনবা দ্রগশিং মরূ ফূক্লা মাঙহনগদবনি হায়বগী পান্দমদা কমান্দর জি বোন কৌশিন্দুনা ৱাঙ্গৈই পুলিস ষ্টেসনদা পুরকখি। অদুবু মিদিয়াশিংগী মমাঙদা ফোটো কাপ্পদা ভি দি এফ য়াওবা য়ারোই, নখোয়দি জি দি চনবা য়ারোই হায়না ভি দি এফশিং তাম্নোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবনি। থৌদেক অদুদা করিসু য়াওদবা পুলিস ওফিসর খরনা ক্রেদিট লৌনবা ভি দি এফশিংবু করেম্নবা কয়া তৌখি। খূদক্তা এসোসিএসনগী টীমনা ফোনগী খূথাংদা কন্সর্ন ওফিসরশিংদা লাইন ফাওনরগা ফোটো হাপ্লগা কাপহনখি। অদুবু মিদিয়াশিংদা ভি দি এফশিং য়াওদবা ফোটো অমসুং ৱাহৈ-ৱাতা হাপ্লকপা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম ভি দি এফশিংবু খূৎলায় ওইনা পুলিস ওফিসর খরগী লম্নাই শেন্দান লম্বী ওইনবা হোৎনবদা নত্তনা ভি দি এফশিংবু নেৎলগা গেলেন্টরি এৱার্দ তানবগী থৌওং অমা চত্থরক্লিবা অসি খূদক্তগী লেপ্পীয়ু। ষ্টেসন অসিদা চহী ৩গী মমাঙদা ওফিসর অমনা ভি দি এফ অমবু য়াম্না তমথিনা ফূরুবগী ৱাথোক্তা সস্পেন্সন তৌখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি হন্দক্লা অহানবা নত্তে। মমাঙদসু ভি দি এফশিংনা ব্লদ দোনেসন তৌরগা পুলিসনা মনা লৌনবা পাউচেদা লান্না হাপ্লকপা লোয়ননা দ্যুটিদা কমান্দরনা অরানবা থবক তৌরগা ভি দি এফতা মরাল থংজিনবগী পুলিস ওফিসর কয়া থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবা লৈরবসু য়ুনিফোর্ম অমদা চপ মান্নরা দ্যুটি তৌমিন্নরিবা ভি দি এফশিংদা ওইজ-ওইথক খরগী নমাদা পুলিস ওফিসর খরনা ভি দি এফ হাৎলগা প্রমোসন ফংনবা হোৎনরক্দ্রা হায়বগী অকিবা পোকল্লে। মরমদুনা মরী লৈনবশিংনা পূং ২৪গী মনুংদা এক্সন লৌবীনবা ঐচ সী এম, জি দি পি অমসুং কন্সর্ন এস পিশিংদা অশেংবা থৌদোক্কী লংলা-লংজিন, ফোটো অমসুং ভিদিও রেকোর্দশিং য়াওবা মেমোরেন্দম সবমিট তৌরগনি। মতম অসিগী মনুংদা এক্সন লৌদ্রবদি চেন্নরিবা ওফিসর অদুগী মথক্তা এসোসিএসননা লো কোর্টতা চে থারগনি হায়রি।

# এল এম জি মণিপুরনা লুপা ১০,০০০গী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস):

তমথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা অৱাফমদা তারিবা লাইক মান্দেদ গ্রুপ (এল এম জি), মণিপুরগী এক্তিভ মেম্বর অমসু ওইরিবা হৈরোক পার্ট-টুদগী পাউমী এলাংবম রামেশ্বরগী অনা লায়েংদা মতেং ওইনবা ঙরাং এল এম জি মণিপুরনা লুপা ১০,০০০, হীদাক-লাংথক অমদি অচা-অথকশিং মতেং পাংখ্রে গ্রুপসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা প্রেসতা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, তেংবাংবগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা এল এম জি মণিপুরগী সেক্রেটরি এস ওজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক হৌজিক হৈরোক্তা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী)দা এল এম জিগী মেম্বর অমসু ওইরিবা পাউমী রামেশ্বর, মহাক্কী লোয়নবী অমদি পীক্লিবী মচানুপী মখোয় ৩ পূন্না লায়েংদুনা লৈরি। মচানুপী অহলনা ময়ূমদা আইসোলেট তৌদুনা লৈরি। তমথিরবা লায়না লাইচৎ অসিনা মহাক্কী ইমুং মনুং পূম্বা অৱাবা তারিবা মীকূপ অসিদা এল এম জি মণিপুরনা অঙম্বা মতেং অসি পাংজবনি। অনাবা অসি অথুবদা ফগৎলক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, এল এম জি মীয়ামগীনি, মীয়ামগী অৱা-অনা তারকপা, কনা লৈজদ্রবা খুদোংচাদ্রবা মীওইশিংদা এল এম জিনা লেপ্তুনা মতেং পাংখিগনি। শুপ্পগী থা অমদা মেম্বর অমনা লুপা ১০০/১০০দং খায়নরগা লমদমসিগী অৱা-অনা তারবশিংদা তেংবাংনবগীদমক গ্রুপ অসি শেমজবনি। মীওইবগী মীনুংশি অমদি কথোকপগী থম্মোয় চেনবা লমদমসিগী মীওইশিংনা এল এম জিগী মেম্বর ওইবীয়ু। ঐখোয় মীওইবা অমনা মীওই অমগী অৱা-অনা তারকপদা মতেং পাংননবগী ৱাখল্লোন চেমিন্নসি হায়খি।

এল এম জিগী এদভাইজর দল্লিয়ু শ্যামজাইনা ফোঙদোকখিবদা, এল এম জিনা হৌখিবা জুন ২১দা মমা-মপা অনীমক কায়নখ্রবী হৈরোক্কী মরাইবক থিহৌরবী নুপীমচা অমদা লুপা ১৬,০০০; জুন ২৪ কুম্বী খুগা তুরেলদা হি ঈরাক্লবদা মচিন-মনাল অনী পূন্না লৈখিদবগী ইমুংদা লুপা ২২,০০০ অমদি জুন ২৫দা খুরাইদা পোৎফম ফম্বী ইমা অমদা জালিনোট ৫০০ চৎপী পীশিল্লম্বদগী অৱাবা তাহৌরবী ইমাদুদা লুপা ১,০০০ পীদুনা মতেং পাংখ্রে হায়খি।